ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯳꯱, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯰꯳ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, জন্যুৱারী ৩১, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৩০৩শুবা মশীং

# মীয়ামগী মীরেপ

## মশক খঙবা হৌরক্লে

হান্নদগী মীয়ামগী মীহুৎ ওইখ্রবশিং য়াওনা ফেব্রুৱারী ২৭ অমসুং মার্চ ৩, ২০২২দা তাঙ্কক অনী থোক্না পাঙথোক্লগদবা মণিপুরগী ১২শুবা মীখলসিদা মীয়ামগী মীরেপ ওইগদবশিংগী মরক্তা কনানা কনানো? করিদগী মীরেপ ওইনা চোঙথোরকখিবনো? কাবা নৎত্রগা কাদবদুনা নাকল অমদা থমখ্রগা থৌওইনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরগে খনবা মীরেপশিংনা কনানো? অদুগা মীয়াম্বু য়ান্নবা পোৎলুম কোকথোং পুগেদি হায়রগা খুদি অমুক্তং থিবদা উচি মখুলদা চঙখিবা, মখা-তানসু চঙখিগদবা মীরেপশিংনা কনা কনানো হায়বসি খঙবা হৌরক্লে। চপ-চানা লৈখাই তাগদববুদি ৱাৎলি। থেঙ্খ্রাং অনীরক্তা পাঙথোক্লগদবা ইলেক্সন অসিগী নোটিফিকেসন থোক্লগা মসিগী মতুংইন্না মীরেপ চে পীশিনবা য়াবগী অরোইবা মতম ফাওবগী মনুংদা পীশিন্নরকপা অদুগা নোমিনেসন পেপরশিং স্ক্রুটিনি তৌরগা মীরেপ চে লৌথোকপা য়াবগী অরোইবা মতম ফাওবদা লৌথোক্নদবশিং অদুনা লম্বা তৌনরগদবনি। অদুবু অপূনবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৬০ মক্তা নাইতোম তাবা (অমত্তা ঙাইবা) মীরেপ থোরক্লোইদবনা, অন-কন্টেষ্ট কেন্দিদেট লৈরক্লোইদৌবনা চীং অমসুং তমগী এসেমব্লি সেগমেন্ট ৬০দা মীখল পাঙথোকপা হায়বসিদি শোয়দ্রবনি। অদুবু পাঙথোক্লগদবা মীখলসিগী নোটিফিকেসন থোক্ত্রিঙৈ, নোমিনেসন পেপর ফাইল তৌনদ্রিঙৈ, ৱিথদ্রোৱলগী মতম ফাওবা লাক্ত্রিঙৈগী চৈরক্তা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটশিংগী মরক্তগী মশক খঙবা খরা-খরা হৌরক্লে। মসিদি হৌনবীনি। লাপ্নরিঙৈদা লাই মাল্লম্বদু নকশিল্লক্লগা মী ওইরম্বগী থৌদৌসিদি অদুম্মক থোরক্তুনা শং-শং উরকপা হায়বসিদি শোয়দবনি। কুইর-কুইরগা হেন্না হেন্না মশক খঙলকখিগদবদনি। নোংম-নোংমগী মীখল পাঙথোক্কদবা মতম নকশিল্লক্লিমখৈ ময়েক শেংলকখিনি।

মীয়ামগী মীহুৎ ওইরগদবনি হায়দুনা চোঙথোক্নরক্লিবা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটশিংগী মনুংদগী মশক খঙবা হৌরকপগী থবকসি পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মখোয়গী পার্টিগী মহুৎ-শিনবা মীরেপশিং লাউথোকপা হৌরকপদগী খঙবা হৌরকপনি। অহানবদা মখোয় মশা মশানা মতম কুইনগী মমাঙদগী য়াওন্নদুনা ৱার্ক তৌরকপা, পার্টি অদুগী পান্দমশিং অমসুং ৱাখল্লোনশিং পুথোক-পুথোক্তুনা ঙাঙলম-শক্লম্বদগী পার্টি অদুগী মীরেপ ওইবগী খুদোংচাবা পীরক্ত্রবা মতমদা অতোপ্পা ৱাখল-শক্তম মান্নদবা পার্টিদা চোঙশিন্নবগী থবক হৌনরক্লে। ঙরাংনা মশানা পামজবা পার্টিগী, খোঙহাই চারগনি খঞ্জবা পার্টিগী শিরগে মখৈ হোৎনদুনা ঙাঙলম-শক্লম্বশিংদু মথক-মখা থোক ওন্থোক্লগা ঙাঙবা শকপা হৌরকই। মসি পোলিটিকেল লিদরশিংনা, পোলিটিসিয়নশিংনা মখোয় মশা-মশাবু ইলেক্তেদ পর্সন অমমম ওইদ্রবদি মীয়ামগী থবক তৌবা য়াদে, ঙমদে হায়বগী চেল্লিবা ৱাখল্লোন অদুগী মখা শমথরকপা থবক-থৌওংশিংনি। লৈবাক ঙাকপা, মীয়ামগী থবক তৌবা হায়বসিদি মীপূম খুদিংমক নৎত্রগা কেন্দিদেট পূম্নমক মীখলদা মায় পাক্ত্রগদি য়াদে হায়বদি লৈতে। অকক্নবা মীওই অমা নৎত্রগা খরনা ইলেক্তেদ মেম্বর ওইদ্রবসু মহাক্কী অমসুং মখোয়গী পার্টি অদুনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংলবদি লৈবাক ৱায়েল থৌদাগী থবকশিং খূৎপায়নগনি, লৈবাক ঙাক্কনি, এবসোল্যুট মেজোরিটিমক ফংদদুনা মথন্তনা পৱর পায়বগী খুদোংচাবা ফংদ্রগনা অতোপ্পদা পার্টিশিংগা চুংশিন্নগনি। শৌগৎলুনি নৎত্রগা শৌগৎহল্লক্কনি। অদুবু লৈবাক লৈঙাকপগী থৌদাংদি লৌগনি। মীখলদা মায় পাকপা, মীয়ামগী মীহুৎ ওইবা হায়বদুবুদি ওইবা ঙম্লবদি শরেংসু থোংবা, থাওসু থাকপা থোক্কদৌরিবনি। ঙমদবগী ৱানি, ঙম্লবদি য়াম্না ফৈ। অদুগা লেজিসলেটিভ এসেমব্লি অমগী নৎত্রগা পার্লিয়ামেন্টকী ইলেক্তেদ মেম্বর ওইনীংদবা মীওইশিংসু লৈরমগদবা/য়াওরমগদবা মান্দে। মসিমক্না এসেমব্লি সেগমেন্ট অমদগী হেন্দোরক্তুনা অকক্নবা পার্টি অমমমদা মীরেপ ওইননবা চয়োম শানা য়োমশিন্নরিবনি। অদুবু হংবা য়াবদি মীরেপ ওইগে, টিকেট পীয়ু হায়রকপা খুদিংমক মাগী মাগী পার্টিনা টিকেট পীদুনা লোইনমক মীরেপ ওইহনবা ঙমগদ্রা? নৎত্রগনা শুপ্নতগী এসেমব্লি সেগমেন্ট ৬০ খক লৈবসিদগী হেন্দোক্না কেন্দিদেট ওইনি চোঙথোরকপা পূম্নমক খনবা য়াগদ্রা? মসিনা তাক্লিবদি মীয়ামগীদমক পোলিটিক্স তৌবা হায়বসিদি ভোট লেপ্পা খক্তনা ওইদে। অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা ভোট শুংলেপ লেপখিদনা পোলিটিক্স তৌখিবা পোলিটিসিয়ন ময়াম লৈখি। মণিপুরদসু লৈখি। অদুনা মীখল পাঙথোক্কদবা মতম নকশিন-নকশিল্লক্লগা মীরেপশিংগী মশক হেন্না খঙলকখিগনি হায়বদা লানগদ্রা?

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৫

১) *“চাউবী”* হায়বা ১৯৫৭তা অহানবা ওইনা ফোঙবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **“কাউরবরা রাস শান্নবগী অহিংদো”** হায়বা দ্রামা অসি দ্রামা অহুমগী পূনশিনবা লাইরিক অমদা য়াওবনি। য়াওরিবা লাইরিক অদু মমিং করি কৌবগে অমসুং অইবনা কনানো?

৩) **“প্রল্লয়গী মৈরিরক্তগী”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) ***“মণিপুর শ্রীগোবিন্দ নির্পণ (মৈতৈ পুরানগী ৱা)”*** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) *“শ্রী গোবিন্দলীলামৃত (মধ্যাহ্ন লীলা)”* (১৪ সর্গ ১৮ সর্গ) হায়বা লাইরিক অসি কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৪গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২,৩)

২) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল - (১,২,৫)

***৩) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৫)***

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৩৪গী ৱিন্নর*

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৩৪গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

# লৌমীশিংগী কাখল

## ঈংশিল্লকপা মতমদা য়েনশিং শেন্নবীবা

– ডা. সরাংথেম জেসমারানি –

অঈং-অশা য়েংনবা মর্করিগী লেভেল হন্থরকপনা মরম ওইদুনা মরুম অমদি মশা চাননবা য়েন য়োকপীরিবা কাঙবুশিংনা মশা মশাগী য়েনশিং নিংথিনা থন্বীবা মথৌ তাই। নিংথমথা মতমদদি ঈংবগী চাংসি ৫৫°এফগী মখাদা লৈবনিনা ফীভম কয়া অমা খুদম ওইনা হায়রবদা মরুম কোকপগী চাং হন্থবা, মচা কোকপগী চাং হন্থবা, ঈশিং থকপগী চাং হন্থবা, মচা ওনবগী চাং হন্থবা অসিনচিংবা কয়া অমা মায়োক্নরি মরম অসিনা নিংথমথাগী মতমদা হেন্না চেকশিন থৌরাং কয়া অমা লৌবিবা মথৌ তাই। চেকশিন থৌরাং কয়া অমা য়েনবুশিংনা লৌবিনবা মখাদা থমজরি ঃ

- য়েনগোনগী মায়ওন
- নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না চঙহনবা
- মকোন্দা ৱাইশিং নৎত্রগা হোরাই মকুপ নৎত্রগা চরু মরাং কায়না হাপ্পীবা।
- মচিঞ্জাক নিংথিনা পীজবীবা
- মরাং কায়না অফবা অরুবা ঈশিং থন্বীবা।
- মকোন্দা মৈ নিংথিনা ফংহনবা।

**য়েনগোনগী মায়ওন ঃ**

য়েনগী মকোন শাবা মতমদা য়েনশিংনা লৈবা নুংঙাইনবা শাবিবা মথৌ তাই। য়েনগোন শাবা মতমদা নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না ফংহনবরোমদা মায় ওনশিনলগা শাবীগনি। নিংথমথাগী মতমদদি নুংশা ফংবগী মতম তেনশিনবনা মায়ওনসি অহানবা নুংশা ফংবলোমদা মায় ওনশিনবীগনি। মসিনা নুংশা মঙাল অমদি সোলর ইনর্জি মরাং কায়না ফংবা ঙমই। নুমিদাংগী মতমদদি নুংশিৎ অয়িংবা শিৎপা মরম্না নুংশা মঙাল হেক চঙখিবগা নুংশিৎ অয়িংবা চঙদনবা মকোনগী অকোয়বদু বোরানা নৎত্রগা প্লাষ্টিক চেবাংনা কুপশিনবীরগা মথংগী নুমিৎকী নুংশা মঙাল লাক্ত্রিফাওবা থন্বীগনি।

**নুংশিৎ নুংশা চঙহনবা ঃ**

য়েনশিং লুম্নবনি হায়দুনা মকোন্দু পুরা কুপশিল্লগদি নুংশিৎ চঙথোক চঙশিন তৌফম লৈতদুনা য়েনশিং মশাদা অকায়বা কয়া অমা পীরক্কনি। য়েনশিং শ্বর হোনে দাক হোঞ্জিন তৌবা মতমদা ঈশিংগী মনিল য়াম্না য়াওই। মসিদসু নত্তনা য়েন্থিদসু ঈশিংগী মনিল মরাং কায়না য়াওই। মসিনা মকোন মনুংদা নুংশিৎ চঙথোক চঙশিন তৌবা মতমদা অকায়বা কয়া অমা পীরি। মসিদসু নত্তনা য়েন্থিদা এমোনিয়াগী চাং য়াম্না ৱাংনা য়াওই। এমোনিয়া গ্যাসসি নুংশিৎতগী হেন্না লুম্মী। নিংথিনা নুংশিৎ থোকফম লৈত্রগদি এমোনিয়া গ্যাসতু মকোন মনুংদা চাইরগা লৈরগনি। মসিনা য়েনগী মমিৎতা মপি তাহল্লি অমদি শ্বর হোনবদা ৱানা হোলহল্লি। মরম অসিনা মকোন মনুংগী ফত্তবা নুংশিৎ অমদি গ্যাস ময়ামসি চিংথোক্নবা exhaust fan অমা মকোন্দা হাপ্পীবা মথৌ তাই নৎত্রগনা নুংশিৎ নুংশা হেন্না চঙথোক চঙশিন তৌনবা নিংথিনা ভেন্টিলেসন থন্বীবা মথৌ তাই।

**মকোন্দা ৱাইশিং নৎত্রগা চরু নৎত্রগা হোরাই মকুপ মরাং কায়না হাপ্পীবা ঃ**

য়েন্নাও মচা থমদ্রিঙৈদা য়েনগোনগী লৈমায়দু নিংথিনা শেংদোক্লবা তুংদা ৱাই নৎত্রগা হোরাই মকুপ নৎত্রগা চরু কক্লগা হাপ্পীগনি। নিংথমথাগী মতমদদি ৱাই নৎত্রগা হোরাই মকুপ হাপ্পগী চাংসি লৈমায়দগী ইঞ্চি ৬ কী চাংদা থন্না হাপ্পীগনি। ৱাইশিং হাপ্পা মতমদা অফবা অমদি অকংবা ৱাইশিং হাপ্পীগনি। মসিনা য়েন্না লৈবা মতমদা নুংঙাইনা লৈবা ঙমহল্লি অমদি অচোৎপা মথিশিংসু ৱাইদুনা চুপশিনবদগী মকোন্দু কঙনা লৈবা ঙমহল্লি অমদি য়েনশিংসু মথি তৈদনা কংনা লৈবগা লোয়নননা লুম্না লৈবা ঙমহল্লি।

**মচিঞ্জাক নিংথিনা পীজবা ঃ**

- মচিঞ্জাক পীজরগা য়েনশিংসি মশা লুম্না থন্বা ঙমহল্লি, মশাগী মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপা ঙমহল্লি অমদি শাহৌ ফনা লৈহল্লি।

- মচিঞ্জাক চাবগী খেন্নবসি অইং অশাগী চাং হেনগৎপা অমদি তাহনবগী মখা পোল্লি। ইংবা মতমদদি চাবগী চাংসি হেল্লি অমদি ওক্সিজেনগী দিমান্দসু হেল্লি। মরম অসিনা নিংথমথাগী মতমদা য়েনশিং অসি মচিঞ্জাক হেন্না পীজবা তঙাইফদে।

- নিংথমথাগী মতমদা কার্বোহাইদ্রেটকী চাং হেন্না য়াওবা মচিঞ্জাকশিং খুদম ওইনা হায়রবদা চুজাক, চেঙকুপ অসিনচিংবা অমদি অতোপ্পা ন্যুত্রিয়েন্ট ময়াম অমা হেন্না চাই হায়দুনা হেন্না হাপ্পগা পীজরগদি অরেম্বা অমা ওইহল্লি। মরম অসিনা নিংথমথাগী মতমদদি থরোই নৎত্রগা ফেটকী শরুক হেন্না য়াওবা খুদম ওইনা হায়রবদা থাউথি, ঙাকুপ অসিনচিংবা মচিঞ্জাকশিংসি ওইনা হেন্না পীজবা মথৌ তাই। মসিনা য়েন্না পাল্লিবা ইনর্জিদু চাং অমদা থম্বা ঙমহল্লি।

- নিংথমথাগী মতমদদি মচিঞ্জাকশিং হেন্না অমদি ৱাংনা হাপ্পীবগা লোয়নননা পাত্রগী মশীং কালেন্থাদগী হেন্না থন্বীগনি।

- মচিঞ্জাক পীজবা মতমদা নুমিদাং ৱাইরমদা খরা হেন্না পীজবীরগদি অহিং চুপ্পা লূম্না লৈবা ঙমহল্লি।

**ঈশিং মরাং কায়না নিংথিনা থন্বীবা ঃ**

- নিংথমথাগী মতমদদি য়েনশিংনা ঈশিং থকপগী চাংসি নেম্মী। ঈশিংগী পাত্র খুদিংমক্তা ঈশিং লেমদুনা লৈহল্লি অদুবু লেন্লিবা ঈশিং খুদিংমক তোয়না অফবা ঈশিংনা মহুৎ শিনবীগনি।

- অফবা ঈশিং পাত্রশিংদা হাপ্পীগনি। করিগুম্বা ঈশিংদু কা হেন্না ঈংবা তারগদি অশাবা ঈশিংগা য়ান্নবীরগা নোর্মেল তাহনবীরগা হাপ্পীগনি।

-ঈশিংদা হীদাক, তিক্কাশিং অমদি অতোপ্পা ভিটামিন ময়াম অমা হাপ্পগা পীথকপসু য়াওরকই। অসিগুম্বা মতমদদি ঈশিংগী চাংসি খরা হন্থনা হাপ্পীগনি অমদি ঈশিংগী পাত্রশিং মতম খরা মকোন্দগী লৌথোক্লবা মতুংদা য়েনশিংনা ঈশিং খৌরাংবা কান্দা থন্বীরগা য়েনশিং খুদিংমক্না থকপা ফংহনবীগনি।

**মকোন্দা মৈ নিংথিনা ফংহনবা ঃ**

য়েন্নাও মচাশিংসু মৈ ৱাৎলগদি অমগী মথক্তা অমা লোনখৎনদুনা অমগা অমগা নেৎশিন্নদুনা শিবা ফাওবা য়াওই। মরম অসিনা য়েন্নাওশিংদা মৈ ৱাৎহন্দনা থন্বীবা মথৌ তাই। করিগুম্বা পীরিবা মৈদুগী মৈশা ৱাৎপা তারগদি মৈরোমদা পূনশিন্দুনা লৈবা থেংনগনি অদুগা করিগুম্বদা হেনবা তারগদি পীরিবা মৈদুদগী চেন্থোক্তুনা লৈবা থেংনবীগনি। চপ চাবা মৈশা ওইরগদি অকোয়বদা কোইচেন চেন্দুনা লৈবা উগনি। য়েনশিং মরুম কোক্নবা হোৎনবদা নোংমদা মখোয়না পাল্লিবা মৈশাসি পুং ১৪-১৬ মুকনি অদুবু নিংথমথাগী মতমদদি হায়রিবা মৈশাসি পুং ১৪ য়ৌনা ফংবা ঙমদে। মরম অসিনা য়েনবুশিংনা তোঙান্না মৈ পীবা মথৌ তাই। নিংথমথাগী মতমদদি য়েনশিংসি লুম্না থম্বনা শাহৌ ফনা লৈবা ঙমহল্লি।

য়েনবুশিংনা মশা মশাগী য়েনশিং নিংথমথাগী মতমদা নিংথিনা মচিঞ্জাক অমদি মৈ-ঈশিং নিংথিনা পীদুনা শাহৌ ফনা অমদি হেন্না পোৎথোক লৈনা য়োকপীদুনা হেন্না শেন্দোং লৈবা ওইহনসি। ●

## চুজাক্তা মচিঞ্জাক ৱাৎপগী লায়ওং অমসুং মসিদগী ঙাকথোক্নবা পাম্বে

ডা. ৱাইখোম জিতেন

পান্থীশিংনা মপূং মরে ফাদুনা পোখোক পুথোক্নবা হোৎনবা মতমদা চঙলিবা তোঙান তোঙানবা মচিঞ্জাক মখলশিং অসি অমা নৎত্রগা অমা ৱাৎপা মতমদা পান্থীশিং অদুদা তোঙান তোঙানবা লাইওং কয়া উৎলি। উৎথোরক্কদবা লাইওংশিং অদু পান্থীগী মচিঞ্জাক মখল খেন্নবগী মতুংইন্না লাইওংসু খেন্নে।

**নাইত্রোজেন :** চুজাক হায়বা পান্থী অসি নাইত্রোজেনগী চাং ৱাংনা মথৌ তাবা পান্থী অমা ওইবনা নাইত্রোজেন ৱাৎপগী লাইওং য়াম্না ঙন্না উৎথোক্কল্লি। নাইত্রোজেন ৱাৎপা পান্থীশিং চাউদম থিনবগা লোয়নননা চুজাক্কী মহৈ পীকই অমসুং মরূ মশীং য়াম্না পান্দে। নাইত্রোজেন ৱাৎপা পান্থীশিংগী অনৌবা মনাশিং অদু অশংবা মচুদা ৱাওথাবগা লোয়নননা অরিবা মনাশিং চরূ মচু ওইরকই। লোয়নননা কংশিনবা হৌরকই। অরিবা মনাদা মচু ওনবা অমসুং কংশিনবা অদু মনাগী ময়ায় থংবা শরুক্তগী হৌরক্লগা মনাগী মতাই অমসুং মতোন থংবা শরুক্তা শন্দোরকই। পান্থীশিংদা নাইত্রোজেন ৱাৎপগী লাইওং অসি মপূং ওইনা লৈঙোইনা নম্বগা লোয়নননা নোং কা হেন্না তাবা, ওর্গানিক মেট্টর য়াওবগী চাং নেম্বা, ঈশিং থুমজিন্দুনা লৈবা মফম অমদি লৌফমদু লিশাং শিৎনা লৌউ-শিংউ তৌরক্লবা মফমদা চুজাক্তা নাইত্রোজেন ৱাৎপগী লাইওংশিং অসি থোকহন্দনবগীদমক থাগদৌরিবা মফম অদু লৈবাক লৈহাও হান্না চাংয়েং তৌথোক্লবা মতুংদা লৌফম অদুগীদমক হাপফম থোকপা নাইত্রোজেনগী শরুক অদুগী তঙ্খায় অমা অরোইবা লৌওন খোইদ্রিঙৈদা চাইশিনবীগনি। হাপফম থোকপা নাইত্রোজেনশিং অসি খূৎশেমগী হার (য়ুরিয়া) অমদি ষন্থি ষণয়ুংদগী ফংনবা হোৎনবগা লোয়নননা Azotabacter নৎত্রগা Azospirillum গ্রাম ২০ মরূ কেজি অমগী চাংদা তোৎপীদুনা পান্থীশিংনা নাইত্রোজেন ফংনবা হোৎনগদবনি। চুজাক্তা চাইফম থোকপা নাইত্রোজেনগী শরুক তঙ্খাই অমা চাইখ্রবা মতুংদা লেমহৌরিবা শরুক তঙ্খায় অনীরক থোক্না পান্থীশিংনা খূকউ অমুক ৱাংলকপা মতম অমদি চুজাক পান্থীদা চুরা মানবা মপাল লাকপা মতমদা হাপ্পীগনি। নাইত্রোজেন ৱাৎপগী লাইওং অসি থুনা কোকহনগে হায়রবদি য়ুরিয়া গ্রাম ৩০০ ঈশিং লিটর ১৫গী চাংদা য়াল্লগা মনাদা কাপ্পীগনি। অসুম্না মনাদা কাপ্পা অসি নুমিৎ ১০-১৫নিগী চাংদা কান্নরগা কাপ্পীগনি।

**ফোসফরস :** মচিঞ্জাক মখল অসি ৱাৎপা পান্থী মখলশিং অদু চাওদম থিনবগা লোয়নননা পান্থীশিং অদু ময়াং ইকং কংই অমদি মহৈ পানবগী মতম থেংথৈ। ফোসফরস ৱাৎপগী লাইওং অদু অরিবা মনাশিংদা হান্না উৎথোরকই। চুজাক পান্থীগী অরিবা মনাশিংগী মতোন অমসুং মতাই থংবা শরুকশিংদু কোম্বীরৈ মচু (পর্পল) ওইরপ তৌরকপগা লোয়নননা মখোকলোমদা চঙশিল্লক্কনি। লৌফম অদুগী মথৌ তাবা ফোসফরস অসি লৌফম অদু লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোক্লবা মতুংদা চঙফম থোকপা অপূনবা ফোসফরসশিং অদু অরোইবা লৌওন খোইদ্রিঙৈদা চাইশিনবীদুনা পান্থীশিংদা ফংহন্নবা হোৎনগদবনি। দরকার লৈবা ফোসফরসশিং অদু ষন্থি-ষণয়ুং অমসুং সিঙ্গল সুপর ফোসফেটতগী ফংহনগদবনি। চুজাকশিং অদু ফোসফরস ৱাৎপগী অৱাবদগী কোক্নবগীদমক মরূ কেজি অমগী চাংদা Phosphate Solubilising Micro Abeal (PSBA) গ্রাম ২০গী চাংদা তোৎপীহৌগদবনি।

**পোটাসিয়ম :** চুজাক পান্থীদা পোটাসিয়ম ৱাৎলে হায়বসি পান্থীশিং অদুগী মতাং অনীগী কারক অদু তেনশিল্লকপনা মরম ওইদুনা পান্থীশিংদু নেমগনি। পান্থী মখলশিং অসি মুনা শংবা মচু মাঙখিবগা লোয়নননা শুংগ্রং মাংগ্রংনবগী মওংদা লৈবা থেংনবীগনি। অনৌবা মনাশিং তগৎ তগৎ তেক্লবসু অরিবা মনাগী মতোন অমসুং মতাই থংবা শরু কশিং চরূ মচু ওইরকপগা লোয়নননা কংশিল্লক্কনি।

অসুম্না মচু ওনবা অমসুং কংশিল্লকপগী থবক অসি মনাগী মতোন অমসুং মতাইদগী হৌরক্লগা মনাগী মখোকলোমদা অসুম চঙশিল্লকই। পোটাসিয়ম ৱাৎপা পান্থীদা পানবা চুজাক অদু পীকপগা লোয়নননা মহৈগী মতোন থংবা শরুক অদু চুজাক মরূ পান্দবা অমদি মতোন অদু ইতুম তুম্মী। পোটাসিয়ম কা হেন্না ৱাৎপা পান্থীশিংগী মখা থংবা শরুক অদু ঙাংলৈনবা মচুগী মরুম মরুমশিং লৈরকই।

পোটাসিয়ম ৱাৎপগী অৱাবদগী ঙাকথোক্নবগীদমক লৌফম অদু হান্না চাংয়েং তৌথোক্লগা চান্নবা পোটাসিয়মগী চাং অদু অরোইবা লৌওন খোইবদা হাপ্পীদুনা পান্থীশিংদা পোটাসিয়ম ৱাৎপগী অৱাবদগী ঙাকথোক্নবা হোৎনগদবনি।

**সলফর :** চুজাক পান্থীশিংদা সলফর ৱাৎপগী লাইওং অসি নাইত্রোজেন ৱাৎপগুম মনাগী অশংবা মচু অদু ৱাওথরকই। সলফর ৱাৎপা পান্থীশিংদা মনাগী মচু ৱাওথরকপা পান্থীশিংদনা অরিবা মনাদগী হৌরকই। পান্থীশিংদা সলফর ৱাৎপগী লাইওং উবিরবদি এমোনিয়ম সলফেট নৎত্রগা মেগনিসিয়ম সলফেটকুম্ববু অহৌবা পান্থীদা চাইবিরগা ঈশিং চনবীগনি।

**কেলসিয়ম :** মচিঞ্জাক মখল অসি ৱাৎপা পান্থীশিংগী অনৌবা ময়োল অদু কোনশিন্দুনা চিংথোকপা ঙমদনা লৈবা, অনৌবা মনাশিং অদুদা অঙৌবা মপাক মপাক লৈবগা লোয়নননা মফমশিং অদুদা ইরায় লায়না শেগায়রকপা, করিগুম্বা মতমদা মনাগী মতোনশিং অদু থংনবা মনাগী মখোক থংবা শরুক্তা ফাজিন্দুনা লৈখিবদগী মনাশিং অদু মরী মরী শম্নখিদুনা কৈরাক মওং মান্না লৈবা থেংনবীগনি। থৌওং অসি মপূং ওইনা কা হেন্না শিনবা লৌফমশিংদা থেংনবীগনি। মরম অদুনা লাইওং অসি উৎলকপা লৌফমশিং অদু শুনু চাইবীদুনা কেলসিয়ম ৱাৎপগী অৱাবদগী ঙাকথোক্নবা হোৎনবীগদবনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৪গী পাউখুম

১) *“দেবম”* হায়বা অঙাংগী নোভেল অসি ওরিজিনেল করি লোলদা কনানা ইবদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো? ***:- হিন্দি লোলদা আনন্দ বিশ্বাসনা ইবা মমিং অসিমক্কী লাইরিক্তগী মণিপুরীদা খাঙেম্বম তোমচৌনা হন্দোকপনি। অহানবা ফোঙবা মে, ২০১৯।***

২) **“শোক্নবা থম্মোয়গী খোল্লাউ”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো? ***:-অইবা - মুহম্মদ অব্দুর রহমান; লাইরিক্কী মখল- শৈরেং; অহানবা ফোঙবা, ওক্টোবর ২০১৭।***

৩) **“নুংশি ৱারী”** হায়বা নোভেল অসি কনানা ইবনো? ***:- বীনাপানী থোকচোম; অহানবা ফোঙবা, জুন ২০১৬।***

৪) *“চোলোম পরেং”* হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? ***:- এলাংবম চাউভল; অহানবা ফোঙবা ২০১৯।***

৫) *“তাইবঙ নমু পোংওইবশিংনা কোরৌ নোংজা খুদিংবু, পূক্লিং ৱারৈচল পায়মা হকশোল লাংনা অৱাবা ৱাখল্লবা পামেন উফাল অকায়বদা ফম্না তরা খূৎপুন হুক্লবা। নুমিদাং ইনুং য়াচঙবদা মিংয়েং নাওসুমলবা। মোমনু নুজা মথোক কারকপীবু পানগন খূৎঙমথীনা, হৈরাং শংনা চারবা। নমু মীরমচৎ অসিগুম্বশিংদি। শীঙেল নাৱোইদোংনা; পমেন উমং ঙান্না শাৎলিদি হায়ববু; লৈরাং লৈমন য়াওদবনা, শীংলেল মাবু লৈথানদবা অদুগুম্বনে।”* ৱারেং মতেক অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো? ***:- লৌথোরকপা লাইরিক - ইমোইনু অহোঙবীগী তুংনফম; (শেমগৎচবা - য়ূম্নাম-চা বুদ্ধিচন্দ্র; লা:৫, অহানবা ফোঙবা, সেপ্টেম্বর ৪, ১৯৬৩)***